# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১২৮

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

**মণিপুর** ঙসিদি হীরম খুদিংমক্তা চরাংনবা তাঙ্কক অমা থুংলবনি। মসি পূন্নমক মতম মতমগী লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীরিবা থৌওং অমনি। মতম মতমগী লাকপা ইস্যু খুদিংমক য়েথোক য়েথোক্তুনা ফুমদুনা থমজিনবদগী মমৈথংদা অৱাবা পূন্নমক তারকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মণিপুর মীয়ামগী আই এল পিগী ৱাথোক, ঙমখৈগী ৱাথোক, মরাল লৈতবশিং হাৎখিবগী ৱাথোক পূন্নমক ঙসি, হয়েং হায়দুনা নমশিন্দুনা থম্নরকপনা থাশিং কয়া হৌখ্রে। মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদগী লৈরক্লবা ইস্যুশিং ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম লেংদনা লৈখ্রে। মতাং অসিদা মীয়াম্না ঙাইনরিবদি কোংগ্রেস লৈঙাক লৈত্রবনিনা বি জে পি লৈঙাক্লা অচুম্বা খরদি মণিপুর মীয়ামদা শোয়দনা উহল্লগনি হায়বসিনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী থাজবদি নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লকই। কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন অসিদা লম্বা ওইনগদৌরিবা অসি মপূং ওইনা কোংগ্রেস, বি জে পিনি।

মপূং ওইনা কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনীগী পোলিটিক্সকী ৱাফম অমত্তা তরাইবা ওইরোইদৌরি। অদুম ওইনমক ঙসিগী চরাংনরবা পোলিটিক্সতা মপূং ওইনা থেংনগদৌরিবসিদি শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টিশিংনি। ঙসিমক ইন্দিয়া মনুংদসু শেঞ্জাও পায়বগী কল্লবা ঈহৌ লৈতবা নত্তে। মমাঙগী জেনরেল ইলেক্সন্দা মপূং ওইনা লুপা ২০০০ পীবসিনা নমদুনা বি জে পি লৈঙাক্তা মমি তমখিবনি। মসিগী পাড়া অসিনা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগী শেঞ্জাও পায়বগী পাঙ্গল য়েংনবনি। অদুম ওইনমক হন্দক্কী কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন অসিদি তরাইবদি ওইরোইদৌরি। ইলেক্সন অসিদা মণিপুরদা অতৈ অতৈ পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লম্বা তৌবগী আশা লৈররোই। মরমদি মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক কোংগ্রেস, বি জে পি অনীগী কল্লবা ঈচেল অসিবু থেংনবীনবা পোলিটিকেল পার্টি খরা তাঙনা থোক্কনি। অদুবু কোংগ্রেস, বি জে পি অনীগী মরক্তা অতোপ্পা পার্টি অমা চোঙথোরক্তুনা ইলেক্সনগী মিটিংনচিংবা লাক্লবদি তাবদা নুংঙাইবা মীয়ামগী অনীংবা খরদি শোয়দনা ফোঙদোক্নরক্কনি। মদুমক্লা ভোট মায় পাকপদি ওইররোই। অমবু ওইরে অমবু ওইরে লম্বাদি শোয়দ্রে।

ঙসিগী ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতসু কোংগ্রেস মমাঙঙৈগুম্না মপাঙ্গল কনবা পার্টি অমদি ওইররোই। মরমদি চহী লিশাং শিৎনা লৈঙাক পায়রকপগী অরানবা কয়া লৈতবা নত্তে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা বি জে পিনা লৈঙাকপা ঙম্লিবসি তশেংনমক বি জে পিবু ইন্দিয়াগী মীয়াম্না থাজবগী ৱাফম নত্তে। ইন্দিয়াগী মীয়াম খুদিংমক পাঙ্গল অমদি মনি পৱারনা খুদুম চনশিল্লকপনি। মপূং ওইনা পাঙ্গল অমদি মনি পৱারগী থাক অসি য়াম্না ৱাংখৎলকই। ইন্দিয়াদা মনি পৱারনা ঙমদবা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম তুমশিল্লকই। মসিনা তাকপদি ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসি ময়াই চল্লে হায়বনি।

তশেংনমক দেমোক্রেসি অসিনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং খুদিংমক খঙনা খঙনা, উনা উনা মসল পৱার, মনি পৱারনা লেপ্তুনা অসুম অসুম খুদুম চনশিল্লকপসি লায়রবা মীচম মীয়ামগী অৱাবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা মশানা তাজরকপনি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জাসিদা মণিপুরগুম্বা লায়রবনা মশীং হেনবা লমদম অসিদদি করি ওইরক্কনি। মসিগী মথক্তা লাইরিক লাইশু খঙ হৈরবা নহারোল মশীং খঙদনা লৈরি। অদুবু শেল য়াওদনা করিসু তৌবা য়াদ্রে। নীংবা কায়রবা লাইরিক লাইশু মতিক চানা খঙ হৈরবশিং পূন্নমক খঙনা খঙনা ইরাক্লরে। মণিপুরগী মনুংদা লৈরিবা নহারোলশিং অনৌবা কম্প্যুটরগী চাওখৎলবা মতমসিদা লাইরিক লাইশু খঙ হৈরবশিংনা অনৌবা অচুম্বা অওনবা অমগীদমক করি তৌরকদগে খন্থমিন্নরসি কুমজা ২০১৯গী ইলেক্সন ঐখোয় খুদিংমক্কী থোঙ্গালদা লেপ্লরে। মসল পৱার, মনি পৱারনা মীপূম খুদিংমক খুদুম চনশিনখ্রগনি। শন্দ্রেম্বী ইমাদি খৌরি য়ৌরে হায়বদু খঙনা খঙনা অসুমক পুন্সি লোম্লগদ্রা? মরমশিং অসি খঙনা খঙনা লৈঙাক অসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবা মতম য়ৌদ্রিবরা। মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লুচিংবা মশাগী পার্টিনা মপূং ফাবা লৈঙাক ওইজরবসু মণিপুরদা শেঞ্জা থুমজা, মীহাৎ মীপূনগী ৱাথোক মশীং খঙদনা লৈখ্রে। ঙসি ফাওবা মদুগী লংলা লংজিন পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং করি চৈরাক পীবিখ্রবগে। শাংলবা চহী কয়াদা মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা কয়াবু মপূং ফাবমক নৎত্রবসু খরদং ওইরবসু চৈরাক পীহন্নীংই।

মপূং ওইনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মনুংদা ঙসি ফাওবা পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা ঐখোয়গী লোবু চপ চানা খঙ হৈবা মথৌ তাই হায়বসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা য়াওহনবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসি মাংদা চঙশিনবগী মহুত্তা মতুং অসুম হল্লকপসি লৈবাক মাঙনবগী পোরম ওইনা থোক্কনি। মসিমক মখোংদগী মতোন ফাওবা শেমদোকপা মথৌ তাই। এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি ওইরিবশিংগী মরল-মথুম ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। চহী ৫দং এম এল এ, মন্ত্রি ওইরুবা, চহী ৫দং এম পি ওইরবদি তোপ তোপ্পা শক্তম অমা লাকহনবসিনা এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি ওইবা পাম্নরকপা হায়বসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনরক্লি।

মরম কয়াশিং অসিনা অচুম্বা পুথোক্লগে হায়বদি লৈবাকসিগী ফম্নাইবশিং থম্মোয় শেংবা মথৌ তাই। ফম্নাইবশিংনা মশা মশাগীতা য়েংনবসিনা মীচম মীয়ামদা থাজবা ইঙম ঙম্নদে হায়বসি মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং অমনি। লৈবাক অমা শেম্বা মতমদা শেমগদৌরিবা মীওই অদু থম্মোয় শেংবা মথৌ তাই নৎত্রবদি কৈদৌনুংদা অফবা অচুম্বা খক পুরকপা ওইথোক্লোই। অচুম্বা হায়বসি চৎনরবদি পূন্নমক অফবা ওইগনি। মপূং ওইনা মকোক চিংগদৌরিবা মীওই অদু মথম্মোয় শেংবা, লৈবাক মীয়ামগী খনবা, ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা ঙম্বা মীওই ওইরবদি লমদম অসি ঈং-তপ্পা পানবা লমদম অমা হায়বদু ওইগনি। অচুম্বগী মফম কনবদা লুচিংগদৌরিবা অদুগী মফম চাউনা লৈগনি।◂◂

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### নম্বুল তুরেল ঐগীসু রিবর ফেষ্টিবেল পাঙথোকপীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মমিৎতগী** পিরাং শিন্থদুনা নম্বুল তুরেলনা অসুম্না হায়রকই - সঙাই নখোয়দি মণিপুরগী কৈবুল লমজাউ নত্তনা মালেমগী মফম অতৈদা লৈতবা, য়াম্নসু তাঙনা পোকচবা, মশীংসু য়ামশিল্লক্ত্রবা লমগী শকহেনবা শা অমা ওইরুবদগী য়াম্না লাইবক ফবা হায়বদু ওইরেদো। নখোয়গীদমক চহী খুদিংগী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল হায়না মীংথোনবা ফেষ্টিবেল অমা হেক হেক পাঙথোকপীরি। হন্দক্কী চহীগীসু মসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অমগা অমগা খোইরেন মসা পাইবগুম লৈবাক্কী শেম্নীৎলোন ফৎত্রবা ফাওবদা নখোয়গীদমক চাউরবা শেনফম কাইথোক্তুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা, লম-তু খুদক্তা নালহন্দুনা, হরাউ-কুম্মৈ কয়া তৌদুনা, মখল-মখলগী ষ্টোলশিং হাংদুনা, লম্বী-সরক্কী মেদিয়ানশিংদা অনৌবা রং মচু তৈখৎতুনা, নুমিদাংদা মফম খুদিং ইলেক্ট্রিসিটিগী লৈতেংগী লৈতেং ঙাক্তা ওইহন্দুনা, ঙান্না-ঙান্না ইলেক্ট্রিসিটি থান্দুনা অমম্বা হায়বসি মচেৎ অমফাওবা লৈহন্দনবা অঙকপা ফংনা হোৎনরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নখোয়বু মশক খঙবিবা ওইনা মালেমগী অমসুং ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা অখন্নবা অঙম-অথৌ, অচৌ-অশাং কয়ানা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা মণিপুরদা লাকপীরিবনি। ফেষ্টিবেল অসিগী অহৌবা অমসুং অরোইবা নুমিত্তা মখোয়না নখোয়গী পুন্সিদা য়াইফ-নুংঙাইনা লৈদুনা চাবোক-নাউয়োক ফনবা মমল য়াম্লবা পাউতাক ৱা কয়া মতম চঙনা ঙাঙবিরিবনি। ৱাখল তানা তাবীরিবা কয়ানা নখোয়দা মীনুংশি পোকপীরিবনি। নখোয় লৈবদগী মণিপুর অসি মালেমগী মীশিংনা খঙদবা য়াওশিল্লক্ত্রে। অদুনা নখোয়গী তুংগী য়াইফ-পুন্সিরোলগীদমক শেল-থুম য়াম্না চাদিং তৌবতা নত্তনা থৱায়-হকচাং কখোকপমখৈ হোৎনজরিবসি নখোয় শিংথানদবা তৌগনু, চিলহাও থিদনা অফং-অফংবা চাদুনা লৈরু-লৈরুবা মফমদা নশা নুংঙাইনা হিংনবসু হোৎনজগদবনি।

নম্বুল তুরেল ঐগীদি ঙসি ফাওবা ঐগী ইমিংদা ফেষ্টিবেল অমফাওবা পাঙথোকপীদবনা ঐগী শকফম অসি নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্তুনা মালেম অসিদগী মতম পূম্বগী ওইনা থুপখিবা য়ানা লৈরবনি। ঐঙোন্দগী চেন্থখিবা খোল্লাং অদু পুকচেল চাউবী লোক্তাক্লা নখোয়গীদমক তুংশিনবিদুনা নখোয় পূম্বা হিংলিবা নৎত্রা? ঐসু সঙাই নখোয়গুম্না মালেমদা অমত্তা ঙাইজরবা মণিপুরদা লৈজবা তোমথিন ওইজরিবা তুরেলনি। ঐগীসু 'মণিপুর নম্বুল রিবর ফেষ্টিবেল' হায়না মিংথোনবীবা ফেষ্টিবেল অমা চহী খুদিংগী পাঙথোকপীদুনা মালেমদা ঐগী ইশক অসিবু অমুক্তা খঙহনবীরবদি মদুগী তৌবিমল উৎচবা ওইনা পিকখ্রবা ঐনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাকচবা ঙমগনি। লাইবক থীবা হায়গদ্রা হৌজিক্তি ঐগী শকফম অসি অদুক্কী মতিক য়াম্না থীরি। সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাক্লিবা মপান লমগী মশা নানবা, মীৎয়েং কুপ্পা মীথুংশিংগী মমাঙদা য়াম্না ইকায়জৈ। অদুনা নিংথমথা য়ৌরকপগা ঈংনা ঈংবনে ঐবু উখিদনবা অথাবা ফজবা মচুগী ফিরাংজি অমনা মপান লমগী মীথুংশিং অদুনা চৎত্রিবফাওবদি নিংথিনা কুপশিন্দুনা থন্বীয়ুগবা।

চাওখৎলবা মপান লৈবাকশিংদগী সঙাই ফেষ্টিবেল অসিবু য়েংবা লাক্লিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিং অদুনা মণিপুরদা হেক থুংলবগা মখোয়গী পূক্লিংগী মীৎয়েং থম্লক্কদৌরিবসি লম্বী-সরক্কী হোবে-হোবে নৌনা রং থাবা মেদিয়ানশিং, মৈগী লৈতেং মখল-মখল উৎপা, মৈ য়াম্না ঙান্না থানবা, ইনাক খুনবা খরগী ফজবা অৱাংবা য়ূম-দলান শাবনচিংবা অদু নত্তে। মদুগী মহুত্তা লমদম অসিগী মীশিংগী মমাঙঙৈগী অমসুং হৌজিক্কী মতমগী পুন্সি মহিং, শাজৎ-লিচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, চাকচা-য়ুথক, য়ূমলৈ-কৈরৈ, লম্বী-থোং, সহরগী মওং-মতৌ, মহৌশাগী লম্মীৎ-তুম্মীৎ, চীং-পাৎ, তুরেলশিং, অরিবা নাৎ-কলচরনচিংবা খুন্নাই অসিগী তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিং অসিদা শোয়দনা থম্লক্কনি। মপান্থোংগী শেম-শাজল্লবা শক্লোনশিং অসিদি ঙাইহাক্তুংগী ফজবা লৈতেংশিংনি হায়বসি মখোয়না খঙগনি। মখোয়না য়েংনীংলিবদি থম্মোয়গী অশেংবা ফজবা লৈতেং অদুতবুনি। শেল য়াম্না চঙনা, পাঙ্গল ৱানা সরক্কী উফুল-ৱায়ফুল মরক্তা নপ-নপ লাওবা রংনা লম্বীগী মেদিয়ানশিংদা কংবোই-কংদবোই তৈরিবদুগী মহুত্তা ইচম-চম্না মদুদা পক্লিবা অমোৎ-অকায়শিংদু নিংথিনা শেংদোকপীদুনা তরু-তহেন্না থম্বদা রং লৈবগী পৈশাসু চৎলরোই, থম্মোয় শেংনা তৌজবনিনা মপানগী ৱাখল লৈবা মীশিংনা নোক্লনীংঙাই ওইদে।

ইরৈচা ঐখোয়না তৌগদবসি লম্বী সরক্তা, পান-দুকান্দা ৱারেম-থৌরেম ঙাঙনবা, থবক লৈতনা অচিনবা লম্বীদা ঙাহৌ-ঙাহৌ চৎপা, মফম মতম চাদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনচিংবা অরেম্বদা কান্নদবদা মতম অমসুং লমচৎ মাঙহনবা অসিনচিংবা মপানগী মীশিংনা য়েংবদা মরিং-মরাংগদবা শাজৎ-লিচৎশিং অসি চৎতবনা ফগনি। ফজবা হৌন-লোনচৎ শাজৎ চৎতুনা ঐখোয়না মীথুংশিং অদুদা ফজবা হোস্পিটালিটি উৎফম থোকই। তাঞ্জা ফংলগদি মণিপুরগী পুৱারীশিংগী মরমদা, হৌজিক্কী পোলিটিকেল, সোসিএল অমসুং ইকনমিকেল সিচুয়েসনগী মতাংদা পূক্লিং লৌশিং ফাওদোক্লদুনা তুংগী অফবা অচেৎপা মরী কয়া থমহৌনবা হোৎনবা তঙাইফদে।


অরোইবদা, মণিপুরগী তুরেলশিং, পাৎশিং, চীংশিং অসি নীংথিনা মশক খঙবীদুনা মতম চানা কলহৌনবগীদমক মখোয় মখোয়গী ফেষ্টিবেলসু সঙাই ফেষ্টিবেলগুম পাঙথোকপীনবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা অঙম-অথৌশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা হৌদোকচবনি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ ইম্ফাল ৱেষ্ট*


মমি ৱারী

## 'মেমরি ওফ এ স্পেস'

### হিয়াইরেন থোকচোম । কন্সেপচ্যুএল আর্টিষ্ট



মেমরি ওফ এ স্পেস ১ (সেরিজ ২০১৮)



ইনটু দি অদর দাইমেন্সন (আর্টইন্সটোলেসন ২০১৪)



মেমরি ওফ এ স্পেস ২.১ (সেরিজ ২০১৮)



মেমরি ওফ এ স্পেস ১ (সেরিজ ২০১৮)



এসেন্স ওফ রিএলিটি (আর্টইন্সটোলেসন ২০১৮)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।